HUEIYEN LANPAO

Sunday, March 05, 2017, Imphal



# জোর্দানদা শিবগী চৈরাক পীখ্রবা কনভিক্ট ১৫ হেং তৌখ্রে




অমান, মার্চ ০৪ : মতম শাংনা কুমজা ২০০৪ অমসুং ২০১৪ গী মরক্তা অমাননা মরাল লৈরবশিংবু হাৎপগী থবক লেপ্পবা লৌখিবা ৱারেপপু মখা তানা থুগায়বা খোঙথাং অমদা জোদার্নদা শিবগী চৈরাক পীখ্রবা প্রিজনর ১৫ থাংজ নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা হেং তৌখ্রে। মীওই ১৫ হাৎখিবদু লৈবাক অসিগী ইনর্ফোমেসন মিনিষ্টরনা কনফার্ম তৌখি।

হাৎখিবশিংগী মনুংদা ১০ দি টেররিজমগা মরী লৈনবা ওফেন্সশিংগীদমক্তা কনভিক্ট তৌখিবনি অমসুং অতৈ মীওই মঙানা রেপ য়াওনা 'ফৎত্রবা' ক্রাইমশিংগীদমক্তা কনভিক্ট তৌখিবনি হায়না ইনর্ফোমেসন মিনিষ্টর মহমুদ অল-মোমানিনা ওফিসল পেত্রা ন্যুজ এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

হাৎখিবা প্রিজনরশিংদু জোর্দানিয়ন ঙাক্তনি অমসুং মখোয় কেপিটেল অমানগী খা থংবদা লৈবা সুৱাগা প্রিজনদা হেং তৌখি।

টেররিজমগী ওফেন্সশিংদুগী মনুংদা কুমজা ২০০৬ তা অমানগী রোমান এমফিথিয়েটরদা টুরিষ্টশিংদা এটেক তৌদুনা বৃটিশ মচা অমা হাৎখিবা অমসুং কুমজা ২০১৬ কী জুনদা কেপিটেলগী অৱাংদা লৈবা ইন্টলিজেন্স সার্ভিসকী বেজ অমদা এটেক তৌদুনা এজেন্ট মঙা হাৎখিবা য়াওরি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৬ কী সেপ্টেম্বরদা খৃষ্টান অইবা নহেদ হাটারবু ইস্লামগী মায়োক্তনি হায়না লৌনখিবা কার্টুন অমা ফোঙলুবগীদমক ত্রাইঅল চত্থরিঙৈদা হাৎখিবগী থৌদোকসু ওফেন্সশিং অদুদা য়াওখি।

নিংথৌ অব্দুলা অনীশুবনা কুমজা ২০০৫ দা হায়খি মদুদি, জোদার্ননা য়ুরোপকী অয়াম্বা লৈবাকশিংগা মান্ননা মরালগী চৈরাক পীবদা মী হাৎপা লেপ্পা মিদ্দল ইষ্টকী অহানবা লৈবাক ওইহনবা পামই।

জোর্দানগী কোর্টশিংনা মীওই কয়া শিবগী চৈরাক পীখি তৌইগুম্বসুং মদু থবক ওইনা পাঙথোকখিদে।

অদুম ওইনমক, মীয়াম্না পোলিসী অদুনা মরম ওইদুনা ক্রাইম হেনগৎলক্লে হায়না ফোঙদোক্লখি অমসুং হৌখিবা কুমজা ২০১৪ গী দিসেম্বরদা জোদার্নদা মী হাৎপগীদমক কনভিক্ট তৌখিবা মীওই ১১ মঙকশমদা থৌরি থুদুনা হাৎখি। হ্যুমেন রাইটস গ্রুপশিংনা মদুবু কন্না ক্রিটিসাইজ তৌখি।

ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপনা ফাখিবা জোদার্নিয়ন পাইলোট মাজ অল-কাশাসবেহ হাৎখিবদগী মীয়ামগী মোত কন্নশিনখি। জোদার্নিয়ন পাইলোট অদুগী প্লেনদু হৌখিবা কুমজা ২০১৪ গী দিসেম্বরদা য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসনদা শরুক য়াদুনা মিসন পাঙথোক্লিঙৈদা সিরিয়াগী জিহাদিষ্টশিংনা পায়শিল্লিবা লমদম অমদা কায়খিবনি।

মহাকপু শারং অমদা হাপ্তুনা হিংনা মৈথক্তা হাৎখিবগী হঙ্গোইনিঙাই ওইরবা ফুটেজনা মীয়ামবু হেন্না খোয়রাং খোয়শাওহনখি।

মদুগী মতুং য়াম্না থুনা জোদার্নদা টেররিজমগী ওফেন্সশিংগা মরী লৈননা কনভিক্ট তৌরবা মীওই অনী হেং তৌখি। হাৎখিবা মীওই অনীদুগী মনুংদা অমদি সজিদা অল-রিশাৱিনি। নুপী অসিনা কুমজা ২০০৫ দা ইরাক্তা লৈবা অল-কাইদানা ওর্গনাইজ তৌদুনা অমানদা লৈবা অকে-অমৌগী হোটেলশিংদা চত্থখিবা সুইসাইদ এটেক অমদা শরুক য়াখি।

তৌইগুম্বসুং এটেক অদু অল-রিশাৱিগী মশাদা য়াওরিবা এক্সপ্লোসিভশিং পোকখায়হনবা ঙমদবদগী ফেল ওইখি।

জুদিস্যল ছোর্সশিংগী মতুং ইন্না জোদার্নদা শিবগী চৈরাক পীরবা মীওই ৯৪ শিবা ঙাইদুনা লৈরি। মখোয় অয়াম্বা মী হাৎপা নৎত্রগা রেপকী কেসশিংগী কনভিক্ট ঙাক্তনি।


## চাইনাগী মিলিটরি চাদিং চাদা ৭ হেনগৎলগনি

বৈজিং, মার্চ ০৪ : চাইনাগী মিলিটরি চাদিং চহী অসিদা চাদা তরেৎলোম হেনগৎলগনি হায়না লৈবাক অসিনা ফোঙদোকখ্রে। য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা লৈবাক অসিগী মিলিটরি চাদিং মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা হেনগৎহল্লগনি হায়বগী ঈঙ্গিৎ পীখিবা মতুং নুমিৎ খরনিখক লৈরগা চাইনানা ৱাফমসি ফোঙদোরকখিবনি।

বৈজিংদা পাঙথোক্কদবা চহীগী নেসনল পিপলস কোংগ্রেস (এন পি সি) গী মাঙওইননা চাইনানা মিলিটরি চাদিং হেনগৎপগী ৱাফমসি লাউথোকখি। হন্দক লৈবাক অসিগী শেল-থুমগী থবক থৌরমশিং পাকথোক চাউথোকখিবগা লোয়ননা বৈজিংনা লৈবাক অসিগী আর্মদ ফোর্সশিং মোর্দনাইজ তৌরকখি।

চাইনানা মিলিটরি চাদিং হেনগৎলগনি হায়না ফোঙদোকচরবসু লৈবাক অসিনা লাউথোক্লিবা দিফেন্স বজেট অদু য়ু এসকা চাংদম্নবদি হন্থদুনা লৈরি। তৌইগুম্বসুং চাইনা ওবজার্ভর কয়ানা অশেংবা ফিগারদি ফোঙদোক্লিবসিদগী য়াম্না হেন্না ৱাংলমগনি হায়রি। হন্দক লৈবাক অসিগী মিলিটরি বজেট চাদা ২০ য়ৌদনা হেনগৎক-দৌরিবসি থংন-থংননা অনীরকশুবনি। মসিগী মমাঙদা চহী ২০

# অমেরিকাদা অতোপ্পা ইন্দিয়ন অমসু ময়ুম মনাক্তা কাপ্পুনা হাৎখ্রে



কলম্বীয়া, মার্চ ০৪ :

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা হৌখিবা চয়োলদা ইন্দিয়ন এঞ্জিনিয়র অমা হাৎখ্রবা মতুংদা অমুকসু অতোপ্পা ইন্দিয়ন অমা সাউথ কেরোলিনাদা লৈবা ময়ুম মনাক্তা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

বিজনেসকী শিনফমদা লৈবা হর্নিশ পাটেল কৌবা ইন্দিয়াদগী হৌখিবা মীওই অদুনা হৌখিবা শগোলশেলগী নুমিদাং অথেংবা পুং ১১.২৪ তাবা মতমদা মহাক্কী দুকান থোঙ লোনখি অমসুং অদুগী মতুং মিনিট ১০ রোমগী মনুংদা লাঙ্কাষ্টরদা লৈবা মহাক্কী ময়ুমগী মপানদা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখি মিদিয়া রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা চয়োলগী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শ্রীনিভাস কুচিভোটলা কৌবা মশাগী চহী ৩২ শুরবা ইন্দিয়ন এঞ্জিনিয়র অমা হাৎখিবগী থৌদোকপু প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা 'মীঙোন্দা তুকচচবা মীৎয়েংনা য়েংদুনা পাঙথোকখিবা ফৎত্রবা ক্রাইম অমনি' হায়না ফোঙদোকখিবা মতুং নুমিৎ নীনি লৈরগা খ্বাইদগী নৌবা মীহাৎ অসি চত্থরকখিবনি। ইন্দিয়ন এঞ্জিনিয়র অদু কেনসসকী বার অমদা মমান্নবগা থকমিন-চামিন্নদুনা ৱারী শানরগা লৈরিঙৈদা কাপখিবনি।

অদুম ওইনমক লাঙ্কাষ্টরদা লোকেল ওফিসলশিংনা পাটেলগী মীহাৎতু কাঙলুপ নাইবা মীৎয়েংদা য়েংদুনা চত্থখিবা ক্রাইমদি মান্দে হায়খি। হৌজিক মীহাৎ অদুগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চত্থরি' হায়না হেরাল্ড পাউচেনা ফোঙদোকখি।

'মসি কাঙলুপ নাইবগী ৱাখলনা লীচিং ওইরগা পাঙথোকখিবা এটেকনি হায়না থাজবা য়াবগী থোইদোকপা মরম লৈতে' হায়না কাউন্টি শেরিফ বেরি ফাইলিনা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২২ দা কেন্সস সিটিদা চত্থখিবা মীহাৎ অদুদা ইন্দিয়ন এঞ্জিনিয়র কুচিভোটলাবু 'ঐগী লৈবাক্তগী চৎখ্রো' হায়না লাউখিবা নুপা অমনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখি।


কেন্সাসকী বার অদুদা ভিক্টিম অদুগা চামিন-থকমিন্নদুনা লৈমিন্নখিবা অতোপ্পা ইন্দিয়ন-অলোক মাদাসানি অমসুং নোংমৈ কাপ্পদুবু থিংনবা হোৎনখিবা ইয়ান গ্রিলোট কৌবা অমেরিকান অমসু এটেক্কর অদুনা টার্গেট তৌখি অমসুং শোকখি। অদাম পিরিংটল কৌবা কুচু ঙৌবা হান্না নেভি সিল অমা ওইরম্বা সুট্টর অদু ফাখি অমসুং মীহাৎপগী মরাল শীখি। ইন্দিয়নশিংদুদা নোংমৈ কাপ্লবা মতুংদা মহাক্না ইরানিয়ন অনী নোংমৈনা কাপখ্রে হায়না পাউদমখি হায়রি। হেট ক্রাইম অদু য়ু এস অমসুং ইন্দিয়া অনীমক্কী লীদরশিংনা কন্দেম তৌখি।

লোকেল দব্লিয়ু এস ও সি টিভিনা হায়খি মদুদি, লাঙ্কাষ্টরদা কম্যুনিটিগী মরু ওইবা মেম্বর অমনি হায়না খন্নবা পাটেলবু হাৎখিবদুদা মীয়াম্না খোয়রাং খোয়শাওনখি। মহাক থৌজাল হৈবা, কষ্টমরশিংবু মরূপ-মপাংগুম্না য়েংবা অমসুং লো ইনফোর্সমেন্টদা মতেং পাংবা মীশক অমনি হায়রি।

পাটেলগী লোইনবী অমসুং এলিমেন্টরি স্কুল তম্লিবা অঙাং অমা লৈহৌরি।

# জর্মন চান্সলর এঞ্জেলা মর্কেলনা মার্চ ১৪ দা দোনাল্ড ত্রম্প উনরগনি






বর্লিন, মার্চ০৪ : জর্মন চান্সলর এঞ্জেলা মর্কেলনা মার্চ ১৪ দা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পকা উনরগনি হায়না জর্মন গভর্ণমেন্টনা ঙসি কনফার্ম তৌখ্রে।

মর্কেল-ত্রম্পকী মীটিং অদুগী মতাংদা ফোংনরিবা মিদিয়া রিপোর্টশিংগা মরী লৈননা হংবদা জর্মন গভর্ণমেন্টকী স্পোক্সমেন ষ্টেফেন সাইবর্টনা হায়খি 'উনবগী ৱাফম অসি অচুম্বনি, অকুপ্পশিংদি মতম চাবদা পীরগনি।

হ্বাইট হাউসকী মায়কৈদ্দগীসু খোঙচৎ অদু ইরাই নুমিৎতা কনফার্ম তৌখ্রে। মদু ত্রম্পনা ওফিস পায়রকখিবা মতুংদা চৎপা মর্কেলগী অহানবা য়ু এস খোঙচৎ ওইরগনি হায়না সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোকখি।

ত্রম্পনা মহাক্কী মীখলগী কেম্পেন মনুংদা মর্কেল অমসুং জর্মনিগী রিফ্যুজি পোলিসীবু 'মথোং মরম খঙদবা ফেল ওইরবা পোলিসীনি হায়না ইফোঙ ফোঙনা ক্রিটিসাইজ তৌখিবনি।

ক্রিটিকশিংনা বর্লিন অমসুং ৱাশিংটনগী মরী পূক্লিং থৌগৎনিঙাই ওইদবা মওংদা হৌবা য়াই হায়না ফোঙদোক্লখ্রে। হৌখিবা থাদা মর্কেলনা থৌবু ওইদুনা সাউথ ইষ্ট জর্মন সিটি ম্যুনিকতা পাঙথোকখিবা ম্যুনিক সিক্যুরিটি কনফরেন্সতা য়ু এসকী ভাইস প্রসিদেন্ট মাইক পেন্সসু শরুক য়াখি। মর্কেলনা মীফমদুদা মালেমগী কনফ্লিক্টশিং লৈখায় তাথোকপদা পুন্না হোৎনমিন্নবা চঙই হায়রদুনা ত্রম্পকী য়ুনিলেটরেলিজম অমসুং এন্টি-গ্লোবেলাইজেসন পোলিসীশিংদা মীৎয়েং থম্বগী তঙাই ফদবা লৈ হায়বগী ঈঙ্গিৎ পীখি। নুমিৎ নীনি চূপ্না হমবর্গতা পাঙথোক্কদবা গ্রুপ টুৱেন্টি (জি ২০) গী সম্মিটতা শরুক য়ানবগীদমক ত্রম্পনা জুলাই ৭ অমসুং ৮ দা জর্মনিদা চৎকনি।

রিয়েল ষ্টেট টাইকুন ওইরম্বদগী প্রসিদেন্ট ওইরকখিবা ত্রম্প অমসুং এঞ্জেলা মর্কেলনা হৌখিবা জান্যুৱারীগী অথেংবদা টেলিফোনদা ৱারী শানখিবা মতুংদা অপুনবা ৱারোল অমা থোকখি। নেটোবু মখা তানা মতীং লৈনা লৈহনবা অমসুং ট্রান্সএটলান্টিক মরীশিং চেৎশিনহনবগী তঙাই ফদবা লৈ লোয়ননা লৈবাক অনীনা টেররিজম থেংনবদা কোওপরেসন পীননিংবা লৈ হায়না মখোয়গী ৱারোল অদুনা হায়খি। অদুম ওইনমক নুমিৎ খরনি লৈরগা ত্রম্পনা অমেরিকাদা মুস্লিমশিং চঙবা থিংনবা থোকখিবা ইগজিক্যুটিভ ওর্দর মর্কেলনা ক্রিটিসাইজ তৌখি।

# কিম জোং-নাম মীহাৎকী সসপেক্টনা মালেসিয়ানা 'লৌতুনৈ' হায়খ্রে



টোকিয়ো, মার্চ ০৪ :

নোর্থ কোরিয়াগী লিদরগী পোকমিন্নদবা ময়াম্ববু হাৎখিবগী থৌদোক্তা চেন্নরম্বা য়াই হায়না চিংনখিবা নোর্থ কোরিয়ন অমনা মীহাৎতুগা মরী লৈননা মালেসিয়ানা প্রোব চত্থরিবদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে অমসুং মদু পিয়োংয়াংবু শোকহন্নবগী লৌতুনবা অমনি হায়খ্রে।

কিম জোং-নাম হাৎপদা চেন্নবা মীশকশিং ওইরমগনি হায়না চিংনখিবা নোর্থ কোরিয়ন নিপানগী মনুংদা য়াওবা মীওই অমা ওইরিবা রি জো-চোলনা ৱাফম অসি মালেসিয়ানা মহাকপু ইভিদেন্স ৱাৎপদগী থাদোকখ্রবা মতুংদা বৈজিংদা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবনি।

'ইনভেষ্টিগেসন অদু নোর্থ কোরিয়ন রিপব্লিক্কী ঈকায় খুম্নবদা শোকহন্নবা লাংবা লৌতুনবা অমনি' হায়না মশাগী চহী ৪৭ শুরবা মীওই অসিগী কম্মেন্টশিং পল্লদুনা জপানিজ অমসুং সাউথ কোরিয়ন মিদিয়ানা ফোঙবা রিপোর্টশিংনা হায়খি।

মীহাৎতুদা মহাক চেন্নৈ হায়বা ৱাফমবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা নোর্থ কোরিয়ন অসিনা হায়খি মদুদি, করিগুম্বা মহাক্না মরাল য়াজরম্বা থোক্লবদি মদুগী মনা ওইনা মহাকপু মালেসিয়াদা নুংঙাইনা লৈহল্লমগনি।

'তৌইগুম্বসুং মদুদি ওইবা য়ারোই। অদুক্কী মতীক ফবা পুন্সি মহিং অমা ফংগনি হায়বা তারবসু মদু ঐগী ইমা লৈবাক্তা ফংলিবগুম্না ফবা ঙল্লোই। ঐহাকপু য়োকপী থাকপীরকখিবা অমসুং হৌজিক্কী ফীভমসি য়ৌহল্লকখিবা ইমা লৈবাকপু ঐহাক্না করম্না কাওথোক্কদৌরিবনো' হায়না মহাক্না ফোঙদোকপা উৎপা টেলিভিজন ফুটেজ অমা সাউথ কোরিয়াদা শন্দোকখি।

এটেক অদুগা মরী লৈননা ফাখিবা অমত্তা ঙাইরবা নোর্থ কোরিয়ন ওইরিবা রি নুপী অনী - ভিয়েটনামিজ অমা অমসুং ইন্দোনেসিয়ন অমা কিম হাৎপগী মরাল শীখ্রবা মতুং নুমীৎ নীনি লৈরগা থাদোকখি অমসুং ময়ুমদা থাখি।

# মীচংশিংবু থাজহন্নবা সাউথ চাইনা সিদা য়ু এসনা এয়রক্রাফট কেরিয়র থমজিনখ্রে



য়ু এস এস কার্ল ভিন্সন,
সাউথ চাইনা সি, মার্চ০৪ :

এফ-১৮ ফাইটর জেটশিংনা নিল-খোংবগী মখোলগা লোয়ননা অঙৌবা মৈখু পরেংশিং থাদোক্তুনা মথং-মথং পায়খৎখিবদা য়ু এস এস কার্ল ভিন্সনগী ফ্লাইট দেক নিকখি।

ফাইটর জেটশিং পায়খৎপা অমসুং তারকপগী খোঙজেল থুরবা সাইকল অমদা এয়রক্রাফট কেরিয়র অদুগী ক্রুমেনশিংনা দেকতা মথং তারক্কদবদু-গীদমক্তা কোয়চেন চেন্নদুনা শেম শাদুনা লৈনখি।

কন্না কন্টেক্ট তৌনরিবা সাউথ চাইনা সিদা অমেরিকাগী মিলিটরি পৱার উৎলদুনা চত্থরিবা এক্সরসাইজ অদুদা এয়রক্রাফট দজন কয়া চেন্নখি।

চাইনাগী হাইনান ঈথৎকী নোংপোক্লোমদা নোটিকেল মাইল ৪০০ লাপ্না অমসুং পরাসেলসকীনা অৱাং নোংপোক্তা লৈবা ঈশিংগী শরুকশিংদা য়ু এস এস কার্ল ভিন্সননা ইরাই নুমিৎতা কেরিয় ষ্ট্রাইক গ্রুপ অমা লিদ তৌখি। পারাসেলস অসি বৈজিংনা কুমজা ১৯৭০ গী মতুং চহী খরদা ভিয়েটনামনা কন্ট্রোল তৌরম্বদগী পায়শিনখিবা ঈথৎ চেইননি।

চহী খুদিংগী দোল্লর ত্রিলিয়ন ৫ লল্লোন-ঈতিক্কী ঈশিং লম্বী ওইনরিবা সাউথ চাইনা সিগী অয়াম্বা শরুক চাইনানা ক্লেম তৌরি।

য়ুন্লোন্নবা ব্রুনৈ, মালেসিয়া, ফিলিপিন্স, টাইৱান অমসুং ভিয়েটনামনসু সি অসিগী মফম কয়া ফাংজিন্ননা ক্লেম তৌরিবনি।

চাইনানা ঈশিংগী শরুকশিং অদুদা লেপ্তুনা মিলিটরি পাঙ্গল শাগৎলকপগী ফীভম অমা লাকপদা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা নুংনাংলকখিবগা লোয়ননা মেরিটাইম আউটপোষ্টশিংবু মিলিটরাইজেসন তৌরকপগী মওং য়ু এসনা ক্রিটিসাইজ তৌখি অমসুং নিংতম্না নেভিগেসন তৌবগী হক মাংহন্দনবগীদমক নেভল পেত্রোলশিং পাঙথোকখি।

হন্দক য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পকী মখাদা লল্লোন-ঈতিক অমসুং লমগী মতাংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং চাইনাগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলকখি অমসুং মালেমগী ওইবা লল্লোন-ঈতিক্কী থবক্তা য়াম্না মরু ওইরিবা সাউথ চাইনা সি অসি মুক্ক রিবা পৱার অনীগী লানবুং অমা ওইরকপা য়াবগী অকিবা লৈ হায়রি।

ইরাই নুমিৎতা ফাইটর জেট, হেলিকোপ্টর অমসুং অতৈ এয়রক্রাফট ৩০ রোম্না য়ু এস এস কার্ল ভিন্সনগী দেকতগী পাইখৎখি অমসুং তোঙান তোঙানবা মচুগী য়ুনিফোর্ম শেৎপা ক্রুমেনশিংনা মখোয়বু সার্ভিস তৌনবা, মখোয়গী ইনষ্ট্রুমেন্টশিং চেক তৌনবা অমসুং খুৎলায়শিং ফিট তৌনবা চেস্থোক-চেনশিন তৌদুনা হোৎনখি।






## ꯊꯕꯛ ꯃꯤꯠꯌꯦꯡ/EMPLOYMENT NEWS

### National Aerospace Laboratories – NAL Recruitment – 28 Technical Assistant, Technical Officer & Senior Technical Officer Vacancy – Last Date 25 March 2017

**NAL Recruitment:**
National Aerospace Laboratories (NAL) invites application for the post of 28 Technical Assistant, Technical Officer & Senior Technical Officer. Apply Online before 25 March 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : 01/2017
**NAL Job Details :**
Post Name : Technical Assistant
No. of Vacancies : 25 Posts
Pay Scale : Rs.9300-34800 /-
Grade Pay : Rs.4200/-
Post Name : Technical Officer
No. of Vacancies : 01 Post
Pay Scale : Rs.9300-34800 /-
Grade Pay : Rs.4600/-
Post Name : Senior Technical Officer
No. of Vacancies : 02 Posts
Pay Scale : Rs.15600-39100 /-
Grade Pay : Rs.5400/-

**Eligibility Criteria for NAL Recruitment :**
**Educational Qualification :**
For Technical Assistant : First Class Diploma in relevant Engineering / Technology of atleast 3 years full time duration OR atleast 2 years full time duration in cases of lateral admission in Diploma Courses or its equivalent with experience of 2 years in the relevant area / field
For Technical Officer : B.E./B.Tech or equivalent in aeronautical / Aerospace Engineering with 55% marks.
For Senior Technical Officer : MBBS with 55% marks from a recognized medical college / University or B.E/B.Tech in Computer Science with 55% marks
Nationality : Indian
Age Limit : Maximum age limit is 28 years for Technical Assistant & 35 years for Technical Officer/Senior Technical Officer as on 25.03.2017

**Job Location : Bangalore (Karnataka)**

**Selection Process :** Selection will be made on through Interview/Skill Test.
**Application Fee :** Candidates have to pay Rs.100/- through Demand Draft drawn in the name of Director, NAL and payable in Bangalore. candidates belonging to SC/ST/PWD, Women and regular employees of CSIR are exempted from payment of application fee.
**How to Apply NAL Vacancy:** Interested Candidates may apply Online through the website www.nal.res.in & send the print out copy of Online Application Registration Form duly signed together with recent passport size photograph, Application fee, copies of Matriculation / SSLC / Apprentices Certificate Qualifications, Experience etc. should be sent in a sealed cover superscribing "Application for the post of Technician, Post Code No._______, Advt.No.1/2017" to The Administrative Officer CSIR National Aerospace laboratories Post No.1779, HAL Airport Road, Kodihalli Bangalore – 560 017 (Karnataka) on or before 25.03.2017.
**Important Dates to Remember:**
Last Date For Submission of Online Application & Hard copy : 25.03.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.nal.res.in/pdf/All%20India%20advt%20%20group%20III%20%204%20of%202016.pdf
**Apply Online :** http://recruit.nal.res.in/jobs/

### Bharat Sanchar Nigam Limited – BSNL Recruitment – 2710 Junior Telecom Officer (JTO) Vacancies – Last Date 06 April 2017

**BSNL Recruitment 2017**
Bharat Sanchar Nigam Limited (BSNL) invites application for the post of 2710 Junior Telecom Officer Telecom JTO(T) on Direct recruitment. Apply Online before 06 April 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : 12 – 2 / 2016-Rectt.
**BSNL Job Details :**
Post Name : Junior Telecom Officer Telecom JTO(T)
No. of Vacancy : 2710 Posts
Pay Scale : Rs. 16400 -4050o/-
**Circle Wise Vacancies :**
Andaman & Nicobar : 13 Posts
Assam : 166 Posts
Bihar : 10 Posts
Chhattisgarh : 56 Posts
Gujarat : 260 Posts
Himachal Pradesh : 53 Posts
Jammu & Kashmir : 84 Posts
Jharkhand : 45 posts
Karnataka : 300 Posts
Kerala : 330 Posts
Maharashtra : 440 Posts
North East-I : 91 Posts
North East-II : 17 Posts
Northern Telecom Region NTR : 28 Posts
Odisha : 94 Posts
Punjab : 163 Posts
Tamil Nadu : 103 Posts
Uttar Pradesh (West) : 117 Posts
Urrtanchal : 10 Posts
West Bengal : 93 Posts
Chennai Telecom District : 37 Posts
**Eligibility Criteria for BSNL Recruitment:**
Educational Qualification : Candidates must possess BE/ B.Tech. or equivalent in Telecom/Electronics/Radio/Computer/ Electrical/Information Technology/Instrumentation Engineering or M.Sc. (Electronics)/M.Sc.(Computer Science) AND are required to appear GATE exam 2017, opting one paper from selected four disciplines of GATE paper codes i.e. CS / EC / EE / IN.
Nationality : Indian
Age Limit : Minimum & Maximum age limit is 18 to 30 years as on 06.04.2017
Age Relaxation : For SC/ST Candidates 5 years, for OBC Candidates 3 years & For PWD Candidates 10 years

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be made on through VALID GATE SCORE-2017.
**Application Fee :** Candidates belonging to OC/OBC have to pay Rs. 500/- & Rs. 300/- for SC/ST candidates through Online by using Internet Banking, Credit Card, Debit Card Only.
**How to Apply BSNL Vacancy :** Interested candidates may apply Online Through the Website http://www.bsnl.co.in/ from 06.03.2017 to 06.04.2017 thereafter website link will be disabled.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 06.03.2017
Last Date for Submission of Online Application : 06.04.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.externalbsnlexam.com/documents/GATE_JTODR_Notification.pdf
**Apply Online :** http://www.externalbsnlexam.com/